## নুপী অমা মচানুপী অনীগা শিদুনা লৈরম্লেঃ পুলিস

চান্দিগর, জন্যুৱারি ০৫ (এজেন্সী) : পঞ্জাবকী মনুং চন্না লৈবা সানগ্রুর দিষ্ট্রিক্টতা মশাগী চহী ৩০ রোম শুরবী নুপী অমা অঙাং ওইরিবা মচানুপী অনীগা পুন্না মশাগী য়ুমদা শিদুনা লৈরম্লে হায়না পুলিসকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না বালজিৎ কোর কৌবী নুপী অদু সারুন ভিলেজদা লৈবা মহাক্কী য়ুমগী সিল্লিং ফেন্দা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্বনি অদুগা মহাক্কী চহী নৌরিবা মচানুপী অনী অর্সনূর কোর (৪) অমসুং ভিরাসট কোর (২) না ফমুংদা শিদুনা লৈরমখিবনি হায়রি।

নুপী অদুগী মপুরোইবনা থবক্তগী হল্লক্লগা ময়ুমদা চঙলুবদা অশিবা হকচাংশিং অদু থেংনরকখিবনি হায়না পুলিস রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা পোষ্ট মোর্টেমগীদমক অশিবা হকচাংশিং অদু লোকেল সিভিল হোস্পিটাল অমদা পুখ্রে হায়রি।

## গুজরাটতা কোংগ্রেসকী কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে

অহমেদবাদ, জন্যুৱারি ০৫ (এজেন্সী) : গুজরাটতা পাঙথোক্কদৌরিবা লোকেল বোদিগী ওইবা ইলেক্সনগীদমক কোংগ্রেস পার্টিনা ঙসি ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ৬ কী মখাদা লৈবা মীওইশিংগী মতেং ফংনবগীদমক কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে। হৌজিক হৌজিক বি জে পিনা চলাইরিবা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী থবক থৌরমশিং কোংগ্রেসনা মুন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। 'হেল্লো' হায়না মিংথোনবা কেম্পেইন অসিগী মখাদা অহমেদাবদ, ভাবনগর, জামনগর, রাজকোট, সুরত অমসুং ভাদোদরাদা কেম্পেইনশিং পাঙথোকখি।

# কোভিদ ভেক্সিনগী মতাংদা ৱাখল্লোন তাদবা পোলিটিসিয়ান খরনা মীয়ামদা চম্মনবা পোকহল্লে



মুম্বাই, জন্যুৱারি ০৫ (এজেন্সী) : হৌজিক হৌজিক সেন্তরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি গভর্ণমেন্টনা তৌরিবা থবক থৌরমশিং অসি মীয়ামদা লান্না উহন্নবা ৱাখল্লোন তাদ্রিবা পোলিটিকেল প্লেয়র খরনা হোৎনদুনা লাক্লি। কোভিদ ভেক্সিনগী মতাংদসু পোলিটিসিয়ানশিং অসিনা মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা অসি লায়বকথিবনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর মাইনোরিটি এফেয়র্স মুক্তার অবাস নকবিনা ফোঙদোরক্লি।

নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মালেমগী মফম খুদিংমক্তা চৈথেং পীরিবা কোভিদ-১৯ গী খুদোংথিবদগী লৈবাক অসি কন্নবা ঙসি ফাওবা হনবা লৈতনা হোৎনরি। কোভিদ পেন্দমিক মরক্তা মোদি গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা মথৌ তাবা পোৎলমশিং ফঙহনবতা নত্তনা অহেনবা খুদোংচাবশিং ফঙহন্নবা হৌজিকসু হোৎনরি।

অদুবু মশাগী ওইজবা থিবা পোলিটিকেল প্লেয়রশিংনা পি এম মোদিগী মথক্তা অরানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লিবা অসি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি।

লৈবাক অসিদা থোকখিবা খুদোংথিবা থৌদোক কয়াদা হান্না লৈরম্বা লৈঙাক্লা করম্বা খুদোংচাবা মীয়ামদা পীখ্রবগে হায়বদু লৈহৌরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা খন্থবা চুম্মী। কোভিদ পেন্দমিক মরক্তা মোদি গভর্ণমেন্টনা মীওই ক্রোর ৮০ রোমদা চেঙ লেম্না য়েল্লি অদুগা ইমুং ক্রোর ৮ লোমদা গ্যাস সিলিন্দর ফ্রীদা পীরি। মসিগী হেন্দোক্তুনা লৈবাক অসিগী নুপী ক্রোর ২০ গী একাউন্টদা লুপা ১,৫০০/১,৫০০ দিপোজিৎ তৌখ্রে।

পি এম কিষান সমান নিধিগী মীৎয়েং মখাদা লৈবাক অসিগী লৌমী ক্রোর ১০ হেনবা রোমদা লুপা ক্রোর ১৯,০০০ পীখ্রে। কোভিদ পেন্দমিক মরক্তা লৈবাক অসিদা থবক শুরম্বা মাইগ্রেন্ট লাক্ষ ৬০ হেন্না মশা মশাগী ষ্টেটতা য়ৌহনখ্রে।

মোদি গভর্ণমেন্টনা কোভিদ পেন্দমিক মরক্তা লৈবাক অসিগী মীয়ামগীদমক খল্লগা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলক্লিবা অসিদা মতেং পাংশিনবগী মহুত্তা ওইজবা থিদুনা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনদুনা লৈরিবা অসি ৱাখল্লোন তাদবগী মথৌনি।

লৈবাক অসিগী সাইন্টিসশিংনা কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্লবা ভেক্সিন পুথোক্লবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। মদুগী মনুংদা লৈবাক অসিনা পুথোকখিবা কোভিদ ভেক্সিন অনী ইমর্জেন্সি ওইনা শীজিন্নবদা অয়াবা পীখিবা অসি চাওথোকচনিঙাইনি। অদুবু পোলিটিকেল প্লেয়র খরনা পুম্নমক অসিগী ওন্না তৈনবদা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনদুনা লৈরে হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর মাইনোরিটি এফেয়র্স মুক্তানা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## পার্টিনা পাল্লবদি প্রসিদেন্ট ফম থাদোক্লবা শেম শাদুনা লৈঃ বালাসাহেব

মুম্বাই, জন্যুৱারি ০৫ (এজেন্সী) : কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবশিংনা পাল্লবদি প্রসিদেন্ট ফমদগী পোত্থানবা শেম শাদুনা লৈরি হায়না মহারাষ্ট্র কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট বালাসাহেব থোরাটনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

দেল্লিদা পার্টি অসিগী লুচিংবশিংগা উন্নরুরবা মতুংদা মহাক্লা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা বালাসাহেবনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মুম্বাই কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ফম মহাক মতম শাংনা পায়দুনা লাক্লে। পার্টি অসিগী মরু ওইবা থবক থৌরম কয়া মহাক্লা পায়দুনা লাক্লি। করিগুম্বা কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবশিংনা মহাক্কী মহুৎ অতোপ্পা অমদা শিন্দোকপা পাল্লবদি মদুগীদমক মহাক শেম শাদুনা লৈরি।

মহারাষ্ট্রদা য়ুথকী অকনবা ঈহৌ অমা লাকখ্রবা মতুং কোংগ্রেস পার্টিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অমদি মাঙলোমদা খুমাং চঙশিন্নবা হোৎনবদা নহাশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়না লুচিংবা অসিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মথৌদাং মশক খঙবা নহা অমদা মহাক্কী মফম শিন্নবা পাম্মী হায়নসু ফোঙদোকখি।

অনৌবা লাক্কদৌরিবা মহারাষ্ট্র কোংগ্রেসকী লুচিংবা অদুনা পায়খৎলকপা থবক থৌরম খুদিংমক্তা হান্না লৈরল্লিবা কাঙবুশিংনা মপুং ফানা মতেং পাংগনি হায়রি। পনবা য়াবদি মহারাষ্ট্র কোংগ্রেস চীফ বালাসাহেব থোরাট হৌজিক হৌজিক মহারাষ্ট্রগী মিনিষ্টর ওফ রেভেন্যুগী ফম পায়রিবা মীওই অমনি।

# লৌমীশিংগী খোঙজংদা নুপীশিংনা ট্রেক্টর থৌদুনা শরুক য়াগদৌরি



হরিয়ানা, জন্যুৱারি ০৫ (এজেন্সী) : সেন্তর অমদি লৌমী লুচিংবশিংগা ৭ লক শুবা ওইনা ৱারী শান্নখ্রবা মতুং য়ানবা পুরকপা ঙমদবদগী মখা তানা অহেনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লক্কদৌরি। চঙশিল্লক্কদবা খোঙজংশিংগী মনুং চন্না লৈবাক অসিগী নুপীশিংনা ট্রেক্টর থৌদুনা লৌমীশিংগী খোঙজং পুক্লিং থৌগৎকদৌরি।

হৌখিবা চহীগী নবেম্বর থা লোইশিল্লকপদা লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা সেন্তরনা পাস তৌখিবা ফার্ম লো অহুম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা নেস্নেল কেপিটেল দেল্লিগী বোর্দর অমদি অতোপ্পা মফমশিংদা খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি।

৭ লক শুবা ওইনা সেন্তর মীহুৎশিংগা লৌমী লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নবদা য়ানবা পুরকপা ঙমদবদগী মখা তানা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৌমী লূপশিংনা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাবা হৌখ্রে। থা অসিগী ২৬ তসু লৌমীশিংনা খোঙজং চঙশিনগদৌরি।

হৌজিক হৌজিক খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমী বোদিশিংগী মরক্তা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ভাতিয়া কিষান য়ুনিয়ন (বি কে য়ু) না জন্যুৱারি ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা কিষান পেরেদতা নুপী ৫০০ রোম হেন্না শরুক য়াহনগদৌরি।

নুপীশিং অসিনা ট্রেক্টর থৌদুনা কিষান পেরেদতা খ্বাইদগী মাঙ থানা চৎকদৌরি মসিগীদমক বি জে য়ুনা নুপী ৫০০ রোম ট্রেনিং পীবা হৌখ্রে। হয়েংসু নুপীশিংনা ট্রেক্টর থৌদুনা হরিয়ানাগী কুন্দলি-মানেশর-পালৱাল (কে এম পি) এক্সপ্রেস ৱেদা রেল্লি চৎকদৌরি।

অমরোমদা হরিয়ানাগী জিনদা নুপীশিংনা ট্রেক্টর থৌদুনা লৌমীশিংবু পুক্লিং থৌগৎপা খোল্লাউ কয়া লাউবা হৌখ্রে। নুপীশিংনা ঙসি হৌরক্লিবা অসিদি মমিং খক্তনি। মপুং ফাবা খোঙজংদি হয়েং কে এম পি হায়ৱেদা মীয়াম্না উবা ফংলগনি।

অমরোমদা বি কে য়ুগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা সেন্তর অমদি লৌমী লূপশিংগী মীহুৎশিংগা ৭লক শুবা ওইনা ৱারী শান্নখ্রে। অদুমওইনমক ৱারী শান্নবা অদুদা নাকল অনীগী মরক্তা য়ানবা পুরকপা ঙমখিদ্রে। মখা তানা লাক্লিবা ইরাই নুমিত্তা সেন্তরগা অরোইবা ওইনা ৱারী শান্নরগনি। ৮ লক শুবা ওইনা ৱারী শান্নবা অসিদা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদ্রবদি মখা তানা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিনবা হৌরগনি।

হৌখিবা চয়োলদা লৌমীশিংনা রিপব্লিক দে নুমিত্তা কিষান পেরেদ অমা লৈবাক শিনবা থুংনা চঙশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। হৌখিবা থাদসু লৌমীশিংনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংগী শরুক অমা ওইনা নেস্নেল হায়ৱেশিং থিংজিনখি, হঙ্গর ষ্ট্রাইক রেল্লি চৎখি অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ৱাকৎ মীফম ফমখি। নিংথম থাগী মতমদা খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবগা লোয়ননা লৌমী কয়া শিখ্রে। মসিগী মতাংদসু সেন্তরনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা নুমিন্না লৈশিল্লিবা অসি লায়বকথিবনি হায়খি।

## ভিষ্টা প্রোজেক্ট পায়খৎপদা অয়াবা পীরকখিবগীদমক সুপ্রিম কোর্টপু থাগৎলক্লি



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারি ০৫ (এজেন্সী) : ইন্দিয়াগী সুপ্রিম কোর্টনা সেন্ত্রেল ভিষ্টা রি দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট পায়খৎপা হৌবদা অয়াবা পীরকখিবা অদুবু য়ুনিয়ন মিনিষ্টর হর্দিপ সিংহ পুরিনা থাগৎপা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা ইনভাইরনমেন্টকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা পুক্লিং কা হেন্না চিংশিল্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ফোর হাওজিং এন্দ অরবান এফেয়র্স হর্দিপ সিংহনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা ইনভাইরনমেন্টকী শত্তুম কায়হন্দনবা থবক য়াম্না থুনা পায়খৎলগনি। দেল্লি অসি ৱর্ল্ড ক্লাস কেপিটেল সিটি অমা ওইরকপদা নত্তনা মরু ওইবা মীওই কয়াগী পুনফম ওইরক্লি। অনৌবা ইন্দিয়া অমগীদমক লাক্লিবা চহী ২০২২ দা অনৌবা পার্লিয়ামেন্ট বিল্ডিং অমসু শান্নবা থৌরাং পায়খৎপা লোইরে।

ভিষ্টা প্রোজেক্ট অসি ইনভাইরনমেন্টল ক্লিয়ারেন্স ফংদবদগী পায়খৎপা ঙমদনা লাকখিবনি। অদুবু সুপ্রিম কোর্টনা সেন্ত্রেল ভিষ্টা প্রোজেক্ট পায়খৎকদৌরিবা মফম অদুগী শরুক খরা হোংদোক হোংজিন তৌরগা প্রোজেক্ট অদু পায়খৎপা য়ারগনি হায়না ফোঙদোরকখিবা অসি নুংঙাইবা ফাওই।

সুপ্রিম কোর্টকী জজমেন্ট অসিবু ঐখোয়না তরাম্না ওকপগা লোয়ননা ইনভাইরনমেন্টকী শত্তুম কন্নবা হোৎনবদা সেন্তরনা অচৌবা থৌদাং য়ারি হায়খি। পায়খৎকদৌরিবা ভিষ্টা প্রোজেক্ট অসিগী মনুংদা ত্রাইএঙ্গুলর সেপতা শাগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্ট বিল্ডিং, কম্মন ওইবা সেন্ত্রেল সেক্রেটেরিয়েট অমা অমদি কিলোমিটর ৩ শাংবা রাষ্ট্রিয়া ভাবনদগী ইন্দিয়া গেট ফাওবগী রাজপঠ লম্বীসু শেমজিনগদৌরি। গভর্ণমেন্টকী অনৌবা প্রোপোজেল অসিগী মতুং ইন্না সেন্ত্রেল ভিষ্টা রিদিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট শরুক অমা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈনবা অনৌবা রেসিদেন্সিএল কমপ্লেক্স অমসু শাগদৌরি। প্রোজেক্ট অসি মপুং ফানা পায়খৎপদা লুপা ক্রোর ১৩,৪৫০ রোম চঙগনি হায়না পানরি।

## জে এন্দ কেদা উন নিংখাইরকপা য়ানা লৈরিঃ দি এম এ

শ্রীনগর, জন্যুৱারি ০৫ (এজেন্সী) : জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (দি এম এ) না ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না য়ুনিয়ন টেরিটোরি অদুগী অৱাংবা শরুকশিংদা উন নিংখাইবা য়ানা লৈ হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা জে এন কেগী মীওইশিং চেকশিন্না লৈনবা খঙহল্লক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা দি এম এগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা পুঞ্চ, রাজৌরি, রম্বান, দোদা, কিষ্টৱার, অন্তানাগ, কুলগাম, কুপৱারা, ৱালটেঙু নাদ, জৱাহর টনেলগী খা অমসুং অৱাং থংবা শরুকশিং অমদি বন্দিপোরা দিষ্ট্রিক্টশিংদা মেদিয়ম লেভেলগী ওইবা এভালাঙ্ক (উন নিংখাইবা) থোক্লবা য়াবগী চান্স য়াম্না ৱাংলি।

উধমপুর, বারামুলা, গেন্দরবেল, সোনামার্গ- জোজিলা, কঞ্জনৱাল, টাংমার্গ অমসুং গুলমার্গকী মথক থংবা শরুকশিংদসু লো লেভেল এভালাঙ্ক থোক্লবা য়াই হায়না দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী ওথোরিটিগী ৱাঙাঙলোয়শিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মফমশিং অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিংনা অৱাংবা চীংগী শরুকশিংদা চত্তনবা অকনবা ৱার্নিং পীরক্লি।

## ফেব্রুৱারি অমদা য়ুনিয়ন বজেট প্রজেন্ট তৌরবা য়াইঃ সোর্ছ

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারি ০৫ (এজেন্সী) : চৎলিবা চহী অসিগী য়ুনিয়ন বজেট লাক্লিবা ফেব্রুৱারী অমদা পার্লিয়ামেন্টতা প্রজেন্ট তৌরবা য়াই হায়না পাউগী লীখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

থা অসিগী ২৯ দা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিননা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী হাউস অনীমক হৌদোকপগী ৱারোল পীরবা য়ানা লৈ। পার্লিয়ামেন্টকী বজেট সেসন অসি তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোক্লবা য়াই। অহানবা ফেজগী সেসন্না থা অসিগী ২৯ দগী হৌরবা য়াই অদুগা ফেব্রুৱারি ১৫ দা লোইশিনগনি।

অনীশুবা ফেজ অদুনা মার্চ ৮ দগী হৌরগা এপ্রিল ৮ দা লোইশিল্লবা য়াই হায়না পাউগী লীখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি। ৱারেপ অসি কেবিনেট কম্মিটি ওন পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্সনা লৌখিবনি। কোভিদ পেন্দমিক্লা মরম ওইরগা সেন্তরনা মমাং থাদা পাঙথোক্কদবা পার্লিয়ামেন্টকী ৱিন্টর সেসন অদু কেন্সেল তৌখিবনি। পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স মিনিষ্টর প্রহ্লাদ যোসিনা ফোঙদোকখিবদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ফ্লোর লিদরশিংগা মহাক্না ৱারী শান্নরবা মতুং ৱিন্টর সেসন অদু য়েথোকখিবনি অমদি অথুবা মতমদা সেসন ফম্নবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং জনুৱারি থা লোইশিল্লকপদা বজেট মীফম ফম্নবা লেপখিবনি।

## লোগী মথক্তা কনাগুম্বা অমত্তনা লৈতেঃ মিনিষ্টর



মুম্বাই, জন্যুৱারি ০৫ (এজেন্সী) : বোলিৱুদ এক্টর অরবাস খান অমসুং সোহিল খাননা কোভিদ-১৯ গী চৎনা কাঙলোনশিং থুগাইদুনা থবক তৌখিবা অদুগী মায়োক্তা মুম্বাই পুলিসনা এফ এআই আর লোদজ তৌখিবগা লোয়ননা লোগী মথক্তা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা লৈতে হায়না মহারাষ্ট্রগী হেল্থ মিনিষ্টর রাজেস টোপেনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা মহরাষ্ট্রাদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্লা কোভিদ-১৯ গী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা শেমখ্রিবা এস ও পিগী চৎনা কাঙলোনশিং থুগাইরক্লবদি মখোয়গী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পাউমীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী মপুং ফাবা সিটিজন অমা ওইনা কোভিদ পেন্দমিক মরকসিদা গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগীদমক খল্লগা শেমখিবা এস ও পিগী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎফম থোকই।

হৌখিবা থাদা য়ু এ ঈদগী মুম্বাইদা হল্লকখিবা বোল্লিৱুদ এক্টর অনী অসি কোভিদ-১৯ ইন্সটিট্যুসনেল ক্বেরেন্টিন নোমস ঙাক্লা হোটেলদা লৈনবা মরী লৈনবশিংনা খঙহনখি। অদুবু মীওই অনী অসিনা চৎনা কাঙলোনশিং থুগাইদুনা মখোয় মখোয়গী য়ুমদা চৎখিবা অদুগী মায়োক্তা মুম্বাই পুলিসনা এফ আই আর অদু লোদজ তৌখিবনি।

ষ্টেট অদুদা লৈরিবা সেলেব্রিটিশিং মহারাষ্ট্রগী মতিক চাবা সিটিজন অমা ওইনা লৈনবা হোৎনগদবনি। সেলেব্রিটি ওইরবসু কোভিদ-১৯ গী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্ত্রবদি মখোয়গী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়রি।

অমরোমদা য়ুরোপ অমসুং মিদল ইষ্টতগী হল্লকখিবা পেসেঞ্জর খুদিংমক নুমিৎ তরেৎনিগী ওইনা ইন্সটিট্যুসনেল ক্বারেন্টিন তৌদুনা লৈনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মখোয়গা লোয়নরকখিবা মীওইশিংসু কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌথোক্লবা হোৎনরি।

য়ু কেদা হন্দক কোভিদকী অনৌবা ষ্ট্রেন অমা শন্দোরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা মালেমগী লৈবাকশিংদা মখা তানা অকনবা চৈথেং পীরবা য়ানা লৈরি। হান্না লৈরম্বা কোভিদ-১৯ দগী অনৌবা ষ্ট্রেন অসিনা মপাঙ্গল কনবা হেনবগা লোয়ননা শন্দোকপগী চাংসু ৱাংই হায়রি।

## ফোরেনর ৱাহং পাউহং তৌবগী অয়াবা পীবিনবা সি বি আইনা দেল্লি হায় কোর্টতা হায়জখ্রে




ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারি ০৫ (এজেন্সী) : খুৎলাই লল্লোনবা অভিসেক ভর্মা অমসুং কোংগ্রেসকী লুচিংবা জগদিস টাইটলর চেন্নবা ফোর্জরিগী কেস অমগা মরী লৈননা মপানগী মীওই অমা ৱাহং পাউহং চথবগী অয়াবা পীবিনবা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না দেল্লি হায় কোর্টতা হায়জখ্রে।

জষ্টিস য়োগেস খাননা প্রিসাইদ তৌবা হায় কোর্ট অসিগী সিঙ্গল জজ বেঞ্চ অমনা সী বি আইগী এপ্লিকেসন জন্যুৱারি ২৭ তা মখা হিয়ারিং চথনবা মতম লেপখ্রে। সী বি আইগী প্লি অদুনা হৌখিবা চহীগী ওক্তোবর ২৩ দা ত্রাইএল কোর্টনা পীখিবা য়াখিদবনি।

সী বি আইনা কুমজা ২০০৯ দা মতম অদুগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (এম ও এস) হোম এফেয়র্সনা থারকখিবা কমপ্লেন্ট অমদা য়ুম্ফম ওইরগা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবনি। বিজনেস ভিজা লৌবগী কাঙলোনগা লোয়ননা বিজনেসমেন অভিসেক ভর্মানা মাকেনগী লেটরহেদ শীজিন্নদুনা প্রাইম মিনিষ্টরদা শেমজিন শাজিনবা লেটর অমা ইখি হায়না মরাল শিখিবনি। কোংগ্রেসকী লিদর জগদিস টাইটলরনা ভর্মগা লৌতুনদুনা চাইনিজ টেলিকোম ফার্ম অমদা নমথাক তৌখি হায়না সী বি আইগী প্লোব অদুনা ক্লেম তৌখি।

## কেরলাদা বার্দ ফ্লুবু ষ্টেট স্পেসিফিক দিজাষ্টর ওইনা লাউথোকখ্রে

থিরুভনন্থপুরম, জন্যুৱারি ০৫ (এজেন্সী) : কেরালাগী মনুং চনবা কোটায়ম অমসুং অলাপুঝা দিষ্ট্রিক্টশিংদা য়ুমদা য়োকপা য়েন, ঙানু য়াওনা উচেক কয়া শিহনখিবা অদু বার্দ ফ্লুননি হায়না কনফার্ম তৌখ্রবা মতুং কেরলাদা বোর্দ ফ্লুবু ষ্টেট স্পেসিফিক দিজাষ্টর ওইনা কেরালা গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট এনিমেল হজবেন্দ্রি মিনিষ্টর কে রাজুনা ফোঙদোকখিবদা বার্দ ফ্লু কনফার্ম তৌখ্রবা মফমশিংদা য়োক্লিবা ঙানু ৫০,০০০ রোম হাৎনবা খঙহনখ্রে অমদি ঙানু লোইরিবা মীওইশিংদা চপ চাবা কম্পেন্সেসন পীগনি।

ভাইরস মখল অসি মীওইবদা ইনফেক্ট তৌহল্লকপা য়াবনা মরম ওইরগা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কেরলাগী মফম অয়াম্বা হায় এলার্ট লাউথোকখ্রে। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ঙানু, য়েন অমদি য়ুমদা য়োকপা উচেকশিং হাৎনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা বার্দ ফ্লু কনফার্ম তৌখ্রবা মফমশিংদগী কিলোমিটর অমগী রেদিয়সতা লৈরিবা উচেক ঙানুশিং হাৎনবসু খঙহনখ্রে।



কেরালাদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট এনিমেল হজবেন্দ্রি কে রাজুনা ইমর্জেন্সি মিটিং অমা কৌখিবগা লোয়ননা পায়খৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংগী ওইনা অথুবদা পায়খৎনবা খন্নখ্রে।

অমরোমদা হিমাচল প্রদেশতসু বার্দ ফ্লু কনফার্ম তৌখ্রে। রাজস্থান, কেরালা অমসুং মধ্য প্রদেশকী মতুংদা বার্দ ফ্লু কনফার্ম তৌখিবা মরিশুবা ষ্টেট হিমাচল প্রদেশনা ওইরে।

হিমাচল প্রদেশকী মনুং চনবা কানগ্রা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা পোং দাম লেক সেঙ্কচুরিদা মাইগ্রেটরি বার্দ ১,৮০০ শিদুনা লৈরম্বা থেংনখিবনি। বার্দ ফ্লু অসি উচেকশিংনা শ্বর হোনবগী থবক তৌবদা চাওনা অকায়বা পীবা ভাইরস মখল অমনি। হায়রিবা ভাইরস মখল অসি মীওইবদসু ইফেক্ট তৌহনবা ঙম্বগা লোয়ননা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তারি।

পোং দাম লেক সেঙ্কচুরিদা য়াল্লবা উচেকশিং শিরমখিবা অদুনা মরম ওইরগা হিমাচল প্রদেশকী মফম খরদসু হায় এলর্ট লাউথোকখ্রে হায়না মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF VETY. & A.H. SERVICES:

NOTIFICATION
Imphal, the 4th January, 2021

No.VY/65/HA/2018-Vety.(Pt.): Application from intending candidates are invited for the appointment of the following posts on direct recruitment in the Pay Matrix Level shown against the posts in the Department of Veterinary & Animal Husbandry, Manipur. All willing candidates should be sponsored their names from the concerned District Employment Exchange Offices and thereafter, a Prescribed Form shall be collected on payment of Rs.500/-(Rupees five hundred only) for General and OBC candidates; Rs.300/- (Rupees three hundred only) for SC, ST, PH & meritorious sport person candidates from the Directorate of Vety. & A. H. Services, Manipur. The candidates should attain the age not below 18 years and not more than 38 years on 01-01-2021. The upper age limit is relaxable for 5(five) years in case of SC/ST/PH/ Meritorious Sport Persons represented National/State and 3 (three) years for OBC category candidates respectively.

2. Catagories of posts and Pay Matrix level:

| Sl.No. | Name of Posts | Pay Matrix level |
|---|---|---|
| 1 | Vety. Field Assistants | Level 5 Cell 1 (Rs. 25,500) |
| 2 | Primary Investigators | Level 5 Cell 1 (Rs. 25,500) |
| 3 | Vety. Attendants | Level A Cell 1 (Rs.14,800) |

3. Eligibility for the posts:

| | | |
|---|---|---|
| 1 | Vety. Field Assistants | Matriculate/HSLC or equivalent from a recognised University/Board plus(one) year V.F.A. Training Course Passed from a recognised Institution by the Department. |
| 2 | Primary Investigator | 10 + 2/P.U.C. or equivalent from a recognised University/Board. |
| 3 | Vety. Attendants | Matriculate/HSLC or equivalent from a recognised University/Board. |

4. No. of Posts and Reservation.

| Sl.No. | Name of Posts | Total approved posts for direct recruitment | Number of reserved posts | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | General | SC | ST | OBC-(M) | OBC-(MP) | PH | OBC-Telipati Nepali etc. |
| 1 | Vety. Field Assistants | 60 | 31 | 1 | 18 | 6 | 2 | 2 | 0 |
| 2 | Primary Investigators | 2 | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 3 | Vety. Attendants | 100 | 50 | 2 | 31 | 10 | 4 | 3 | 0 |

5. The total number of post for the above stated 3(three) catagories may be increased or decreased depending on the actual vacancies available in the Department.

6. 3% reservation of physically handicapped & 5% (interlocking) reservation for meritorious sport persons.

The seats shall be de-reserved in case of non availability of eligible candidates. Chances may be given to other candidates in order of merit in the recruitment.